**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01.06.2024)**

**বিরেন (এল) ঃ** রাজ্য সরকারনা হায়রি-মনিপুরগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জিলাশিং অসিদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অচান মীরাই নায়বগী ৱাফম লৈতে।

রাজ্য অসিগী জিলা মরি-তেংনৌপল, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা কেন্দ্রগী দোন্নর মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মথক্তা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং, সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট স্পোন্সর প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিং মায় পাকা পাঙথোক্লি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-হৌখিবা চহি ২০২৩ গী অরোইবা শরুক্তগী হৌরগা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলকপদগী চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলা য়াওনা জিলা পুমমক্তা পি.এম. জি.এস.ৱাই, পি. ডল্লিয়ু.ডি, পাইপ লাইন অমদি হায়ৱেগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিগী মথক্তা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টশিংসু হায়রিবা মফমশিংদা পায়খৎলি। শেনবা চহি ২০২৩-২৪ দা এন.ই.সিদা পীখৎখিবা প্রপোজেল অদুদা চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদা পামলৌ উবা থিংনবগী পান্বে অমা ওইনা হোর্টিকলচরগী মহৈ-মরোংশিং থানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা য়াওরি। অদুম্মকপু, রাজ্য অসিদা মমাং চহি অমদি চৎলিবা শেনবা চহি অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা মরম ওইদুনা মপান লমদগী পোৎ-চৈ পুশিল্লকপা অমদি শিন্মীশিং লাকপদা খুদোংচাদবদগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক খরদা থিন্থবা লৈ।

**ঈশিং (এল)ঃ** ইম্ফাল সহরগী ময়োল খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা হৌজিক ফাওবা ঈশিং থুমদুনা লৈবদগী মীয়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরি। অদুম্মকপু, রাজ্যগী পি.ঐচ.ই. মন্ত্রি-লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেল পাউনা অমদি থঙ্গাল কৈথেলদা ঈশিং থুমজিল্লিবা অসি নুমিৎ নিনিগী মনুংদা

হান্নগী ফিভমদা হনজিলহনবা ঙস্লগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখ্রে।

ঙসিসু শ্রী সুসিন্দ্রোনা ঈচাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা মফমশিং কোইনা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখি। মন্ত্রি মশামক য়াওদুনা খুয়াথোং মপাদা চেল্লিবা নাগা তুরেল অসিদগী পাথোরক্লিবা ঈশিং অসি লৈবাক থোনগৎতুনা থিংনবা থৌরাং পায়খৎখি। হায়রিবা তুরেল অসিদগী ইমায় চোন্না পাথোরকপা ঈশিংনা মরম ওইদুনা কংলা পাৎ পরিং অসি নুমিৎ হুমনিদগী ঈশিং তুংদুনা লৈরকপনি।

ইম্ফাল সহরদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম অসিগী মতাংদা শ্রী সুসিন্দ্রানা হায়-ইম্ফালগী পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেল অনি অসিদা তুংদুনা লৈরিবা ঈশিং অসি নম্বুল তুরেলদা চিথখিনবা কন্না হোৎনরি। ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা ৱাটর সপ্লাই বিভাগনা ঈশিং থাবা য়াদবা মফমশিংগীদমক ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই অমদি চিংখৈ চিং রিজাভরদগী ঈশিং লৌবা য়াগনি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা মফম খরদগীসু মীয়ামা ঈশিং লৌবদা খুদোংচানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে।

ঙসি ফাওবদা ইম্ফালগী মরুওইনা নোর্থ এ.ও.সিগী অকোইবদা ঈশিং কা হেন্না থুমজিনবদগী গাড়ি মচা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরি।

ইম্ফাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-টি.ঐচ. কিরনকুমারনা পীবা রিপোর্ট অমদা হায়রি-হন্দক্কী ঈচাও অসিদা জিলা অসিগী ওইনা লৈকাই, খুল ৯৮ শোকহনখি। জিলা অসিগী মীওই লিশিং ৭৪,৬৩৮ ঈচাও অসিনা শোকহনখি। অদুগা মীওই অনি লৈখিদে। মীওই লিশিং ১২ হেনবনা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখি। রিলিফ কেম্প ২১ অৱাবা তারবশিংগীদমক হাংদোক্লি।

**হেলথ (এল)ঃ** মনিপুরদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকখিবা অসিগী য়েংদুনা লায়না-তিন্না শন্দোরকপা থিংনবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থবক পায়খৎলগনি।

ঈচাও অসি থোকখ্রবা মতুংদা ঈশিংদগী থোরকপা য়াবা লায়না ময়াম অমা লৈরি। লায়নশিং অসিগী মনুংদা হান্না মমাংদা অমুক্তা থেংনদ্রিবা অনৌবা লায়না

লেপতো স্পাইরোসিষ্ট শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মীয়ামনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিং সরকারনা পায়খৎলে। ঈচাও অসিনা মীওই কয়া লিননা চিকপদগী কন্নবা হিদাক সি.এম.ওশিংদগী লৌবা য়াগনি। মসিগীদমক টেলিফোন নম্বর-৯৮৬৩০-৯৩-৪৪২ অমসুং ৯৬১২৬-৮৭৩৯৫ দগী ফোন তৌরক্তুনা হিদাকশিং অসি লৌবা য়াগনি।

**এআর(এল)ঃ** ইম্ফাল সহরদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা অৱাবা তারবা মীওইশিং অসাম রাইফলসনা ওপরেসন জল রাহট পায়খৎতুনা মীওই কয়া তেক্তা কায়দবা মফমশিংদা থংদোকপা ঙমখ্রে হায়না হেদ ক্বাটর আই.জি.আর (সাউথ) কী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়-ওপরেসন জল রাহট অসি মে ২৮ গী নুমিদাংদা লৌখৎতুনা মসিদা অসাম রাইফলসকী কলম ১৬ কী জৱানশিংনা দ্যুলালেন্দ, থঙ্গাল বজার, নোর্থ এ.ও.সি. অমসুং মন্ত্রি পুখ্রিনচিংবা ঈশিং থুমজিনবা মফমশিংদগী মীওই লিশিং ৬,৫০০ তেক্তা কায়দবা মফমশিংদা থংদোকপা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা মাদর তেরেসা ইন্সটিট্যুটকী অহল ওইরবা অমদি চৎথোক চৎশিন ঙমদ্রবা মীওই ৪২ অমসুং রাজ মিদিসিটি হোস্পিতালদা কোক্কী লায়না লায়েংদুনা লৈরম্বা মীওই ২১ সু তেক্ত কায়দনা থংদোকপগা লোয়ননা লায়েং চথুখি।

অসাম রাইফলসকী জৱানশিংনা হৈঙাং অমসুং খাবমদা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবা থোংশিং শেমজিনবগা লোয়ননা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না চেল্লিবা খাবি তুরেলগী তোবার্নশিং শেমজিনবগী থবক চথুখি। মখা তানা অসাম রাইফলসনা দি.দি.টি  কাপথোকপা য়াওনা ঈচাও অসিদগী লাক্কদবা লায়নাদগী কন্নবা কাং হিদাকনচিংবা য়েন্থোকপা হৌরে। লোয়ননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক চানবা পেকেড লিশিং মঙা অমসুং ঈশিং পেকেড লিশিং ৮ হৌজিক ফাওবদা অসাম রাইফলসনা য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুরনা ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা অফবা থকবা ঈশিং পীবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। হীরম অসিগী

মতাংদা সোসাইতি অসিগী সেক্রেটরি-অথোকপম নবাচন্দ্রনা হায়-

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপা অখন্নবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৬ মিনিট ৪০ দা 'কংলৈপাক্তা চিংঙু মাইচৌশিংগী ফিদা' হায়বা থৌরম অমা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**কাউন্টিং ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থা অসিগী মরিদা থিরগনি। ভোট মশিং থিগদৌরিবা মফমশিংদা ঙাকশেলগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। ভোট মশিং অয়ুক পুং ৮ দগী থিবা হৌগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং জিরিবামগী পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদোক্লুনা ভোট মশিং থিগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থারকপা কাউন্টিং ওবজাভরশিং থা অসিগী অহুমদা রাজ্য অসিদা থুংলরগনি।

রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-প্রদিপ কুমার ঝাহনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ভোট মশিং থিগদৌরিবা মফম পুমমক্তা সি.সি.টি কেমেরা থমগনি। ভোট মশিং থিবা লোইবা রাউন্দ খুদিংগী মীয়ামনা এনকোর এপ্লিকেসন ভোটর টর্ন আউট মোবাইল এপ্লিকেসন অদুগা রিজল্টস দোট ই.সি.আই. দোট গোভ দোট ইনদসু য়েংবা য়াগনি।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হায়-ভোট মশিং থিগদবা নুমিৎ লাক্লিবা লৈবাকপোকপগী অয়ুক পুং তরুক্তগী জিলা অসিগী মফম খরদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। অদুমওইনমক, মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিং, এজেন্টশিং অমদি ভোট মশিং থিবা য়াওগদবা মীওইশিং য়াওনা মরী লৈনবা মীওইশিংদি হায়রিবা লম্বী অসিদা চৎপদা অথিংবা লৈরোই।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা হন্দক্কী ঈচাও অসিনা শোকহনবদগী মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মনিপুর বিল্ডিং এন্দ আদরস কন্সট্রক্সন ৱেলফিয়ার বোর্ডকী চেয়ারমেন-কে. সরতকুমারনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

নিংশিং খুলদা লৈবা হোস্পিতালদা চৎতুনা ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংগীদমক চংদ্রবা য়াদ্রবা অনা লায়েং অমসুং চেকশিন থৌরাংগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংগা কুপা খন্নখি। মহাকা হায়-হন্দক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিনা য়ুম ৫০০ গী মথক্তা অৱাবা নংলে অমসুং বরাক্কী অকোইবদা লৈরিবা য়ুম ৪০ হেন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঈশিং থুমজিনখ্রবা য়ুম অমসুং অৱাবা তারবশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী তেংবাং পীনবা হোৎনরি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**এআর(এল)ঃ** তমেংলোং বটালিয়ন অসাম রাইফলসনা ঙসি অয়ুক নোনে জিলাগী তমলোগ খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা লোৎশিনদুনা থম্লম্বা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা মফম অদুদা চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎলায়শিং অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং অদুদি-পিষ্টোল, করবাইন মেছিনগন, পোকখায়বা য়াবা মচাক অমদি নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

**কন্দোল (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালদা থবক তৌরম্বা মাইবম রাজেস সিংহ ঙসি মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৪৯ রোম শুখ্রে অমদি অকাশবানি ইম্ফালদা চহি ২৫ রোম থবক তৌরমখি।

মহাক শগোলবন্দ খনাম লৈরক্তগীনি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। নুমিদাংৱাইরম পুং তরেৎ ফাওবদা ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৫৮.৯২ য়ৌখি।

ঙসি ভোট থাদনখিবা অসিদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা অভিসেক বেনর্জিনচিংবা য়াওরি।

হিমাচল প্রদেশনা চাদা ৬৬.৯১, উরিষাদা চাদা ৬২.৬৬, বিহারনা চাদা ৪৯.১৭, চান্দিগরদা ৬২.৮০, ঝারখান্দদা ৬৮.৩২, পাঞ্জব ৫৫.৫৮, উত্তর প্রদেশতা ৫৫.৫৩ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা চাদা ৬৯.৮৯ গী চাংদা ভোৎ থাদনখি।

তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৭ কীদমক রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ দা অয়ুক পুং ৭ তগী ভোৎ থাদনবা হৌখি। ঙসি ভোৎ থাদনরিবা রাজ্যশিং অদুদি- উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৯, বিহারগী সিট ৮, ওরিষাগী সিট ৬, হিমাচল প্রদেশকী সিট ৪, ঝারখন্দগী সিট ৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি চান্দিগরগী লোক সভা সিট ১ নি। তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ১০ লাখ ৬০ না মীরেপ ৯০৪ গী মরাইবক লেপকনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ওল জিরিবাম রোর্ড ত্রান্সপোর্টকী অনৌবা ওফিস-জিরিবামগী ললোং কৈথেলদা ঙসি হাংদোকখ্রে।

ইং ২০২৮ ফাওবা থৌ পুগদবা য়ুনিয়ন অসিগী মীওই ১১ না শাবা ওফিস বিয়াররশিং খনখ্রে। য়ুনিয়ন অসিগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট-সদানন্দানা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা হায়-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা চেল্লিবা গাড়ি দ্রাইভরশিংগী অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া ওফিস অসিদা লাক্তুনা খন্নবিয়ু। অমরোমদা, হায়ৱে অসিগী লম্বীগী ফিভম ফত্তবনা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি চৎথোক চৎশিন মতম খরা লেপ্লুরবা তুংদা ঙসিদগী ৭৮ শুবা বটালিয়নগী সি.আর.পি.এফনা ঙাক শেনদুনা গাড়ি ১২০ ঙসি ইম্ফালগীদমক থোরকখ্রে।

**ইনভাইরোনমেন্ট(এল)ঃ** ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মখাদা পাঙথোক্কদবা সোলো রন ফোর সেফ ইনভাইরোনমেন্ট ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোৰৈরোম্বা খোঙনাংখোংদগী লমথাখ্রে।

লমজেল অসি রাজ্য অসিগী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট,

থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা য়ৌগনি। লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ, ইনভাইরোনমেন্ট ডে নুমিৎতা লমজেল অসি বিভাগ অসিগী ওফিসতা লোয়শিনগনি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা নুমিৎ মরিনি চুপা চথরকপা এক্সপ্লোজর ভিজিট টু রেন ফোরেষ্ট রিছার্স ইন্সটিট্যুট (আর.এফ.আর.আই) জোরহাট, পোলোংগপর গিবন ৱাইল্ড লাইপ সেঙ্গুরি অমসুং কাজিরঙ্গা নেসনেল পার্কতা ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং, হৈথোই শিংথোইরবা নহাশিং অমদি তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী কর্ম্মচারি অনি শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা আর.এফ.আই.আইগী সাইন্টিষ্টশিংগা ৱাগী মতাংদা খন্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

**তোবেকো (এল)ঃ** ময়াই কাবা চিঞ্চাক শিজিন্নদবা সমাজ অমা ওইহন্নবগী পান দমদা ভারতকী লান্মীনা উখ্রুল জিলাগী লিতানদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি হিলস ফ্লৱার স্কুলদা নো-তোবেকো ডেগা মরী লৈননা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ১২০ গা লোয়ননা খুল অসিদা লৈবা মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। ময়াই কাবা চিঞ্চাক শিজিন্নবনা মীওইবা অমসুং সমাজ অসিদা পীরিবা চৈথেং হায়বগী মতাংদা লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকপগা লোয়ননা অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং মহৈরোইশিংদসু লেমা লায়েংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**কাং (এল)ঃ** ২৪ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কুমওন নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙসি হৌখ্রে।

ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা থোংজ্ কেন্দ্রনা লাংমৈদোং হিয়াংলম কেন্দ্রবু

পাঞ্জল ১৫-১১ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েং দুরবতরা ৱাবগাই কেন্দ্রগা এল.এস.কে. ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগা শান্নগনি।

**রেমালঃ** নোংলৈ নুংশিৎ-রেমলনা মরম ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং তেলঙ্গানা য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা মীওই কয়া লৈখিদবা অমদি লন-থুম কয়া মাঙখিবা অসিদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রতিনা হায়, নোংলৈ নুংশিৎ রেমলনা পীরিবা চৈথেং অসি অৱাবা নংলবা মীওইশিং কনবা অমদি মখোয়দা তেংবাং পীবগী থবক অসি মায় পাকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিল্লকপা ওইরসনু।

**উত্তরাখন্দ ঃ** উত্তরাখন্দগী চমোলি জিলাদা লৈবা ৱার্ল্ড হেরিটেজ ভেল্লি ওফ ফ্লৱারস, লম কোইবা লাকপশিংগীদমক্তা ঙরাংদগী হাংদোকখ্রে। নন্দা দেবী নেসনেল পার্ককী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বি.বি. মারতোলিয়ানা হায়- মফম অসিদা চংবা মতমদা এন্ত্রি ফ্রি ওইনা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদনা লুপা চনি অদুগা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিংগীনা লুপা ৮০০ ওইগনি। মমিং লৈরবা মফম অসি লম কোইবশিংগী ওইনা চহি অসিগী ওক্তোবরগী ৩০ ফাওবদং হাংগনি।